# টেররগী মতাংদা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঐখোয় মতম পূন্নমক্তা অৰাবা খাঙদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ঃ** পাকিস্টানদগী থবক তৌরিবা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অকনবা ৱার্নিং অমা তৌদুনা লৈবাক্কী শান্তি থুগাইনবা অমত্তা হোৎনরক্তনবা টেরোরিষ্টশিং অদুদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

পাকিস্টানদা লৈবা টেরর গ্রুপশিংনা পুলৱামা অমসুং উরিদা টেরর এটেকশিং চথখিবা অদু পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মসি হেনমনখ্রে, ঐখোয়না মতম পূন্নমক্কী ওইনা অৱাবা খাংদুনা লৈবা ঙমলোই হায়খ্রে। ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ঘাজিয়াবাদতা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স, সি আই এস এফকী থৌরম অমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাংখি। লৈবাক অসিনা য়াম্না ফত্তবা য়ুমলোন্নবা অমা ময়োক্নরিঙৈ মতম অসিদা সি আই এস এফনা শীংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমথংনবদা লৈরিবা লৈবা অসিনা য়াম্না য়েংথিবা ওইরক্লি, অদুবু মখোয় লান থেংননবগী তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈজদবা অমনি। মখোয়না লৈবাক অসিগী মনূংদা শুংকৎলিবা মখন কয়াগী লৌতুনবশিংবু ঙমখৈ ৱাংমদগী পূক্নিং থৌগৎলক্লি অমসুং অসিগুম্বা খুদোঙথিরবা ফিভমশিংদা লৈবাক্কী সেক্যুরিটি অমসুং মসিগী ইনষ্টিট্যুসনশিং য়াম্না শীংননিঙাই ওইরক্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

সি আই এস এফনা ন্যুক্লিয়ার ইনষ্টোলেসনশিং, এয়ারপোর্টশিং, সিপপোর্টশিং, পৱার প্লান্টশিং, গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিং, দিল্লি মেট্রো রেল কোর্পোরেসনশিংনচিংবা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টরশিং অনীমক্কী অচৌবা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ঙাকশেল্লি।

নীংতম্বা ফঙখিবা মতূংদগী লৈবাক্কীদমক থৌদাং য়াবদা মপূন্সি কখোকখ্রবা পুলিসমেন ৩৫,০০০ অদুগী মনূংদগী ৪,০০০দি সি আই এস এফ, সি আর পি এফ অমসুং বি এস এফনচীংবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিংদগনী হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না লৈবাকসিদা লৈরিবা ভি আই পি কলচরগী মতাংদসু পনখি। ভি আই পি কলচর অসিনা করিগুম্বদা সেক্যুরিটিগী থবক্তা খুরৌ ওইহল্লি। ঐনা দিসিপ্লিন ঙাক্না চৎপা মী অমা ওইবনা মসি ঐনা হায়বনি। ঐগীদমক দিসিপ্লিনগী মতাংদা ফমগা মরীলৈনদে। দিসিপ্লিন লৈবা হায়বসি সিটিজন খুদিংমক্কী থৌদাং অদুনি। করিগুম্বা সিটিজেনশিংনা ইনফম থোকপা দিসিপ্লিন ইন্দবা তারবদি নখোয় (সি আই এস এফ)গী থবক্তসু চয়েৎনবা অরুবা ওইহনগনি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা মখা তাখি।

## পাকিস্টাননা সিজফয়ার থুগায়রকখ্রে

**জম্মু, মার্চ ১০ঃ** পাকিস্টাননা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লৈবা মফম ৪দা ফোরৱার্দ পোষ্টশিং অমসুং খুঙ্গংশিংদা পান্দম থমদুনা সিজফয়ার থুগাইরকখ্রে।

কৃষ্ণঘাতি সেক্তরদা পাকিস্টাননি ট্রুপশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মোর্টার শেলশিং কাপশিলত্তুনা অমসুং অতৈ অপীকপা খূৎলাইশিং কাপশিলত্তুনা শাথিবা মওংদা সিজফয়ার থুগাইরকখি। ইন্দিয়ান আর্মিনসু খূৎ হন্দুনা কাপশিনখি হায়না দিফেন্সকী ৱাংলোই অমনা হায়খি।

মসিদা নৎতনা মেনধার সেক্টরগী বালনোই অমসুং মানকোতেদা অমসুং শাহপুর সেক্টরদা পাকিস্টাননা মোর্টার অমসুং নোংমৈশিং কাপশিলকখি।

ঙরাংসু রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী সুন্দরবানি সেক্টরদা ইন্দিয়ান পোজিসনশিংদা পাকিস্টান আর্মিনা পূং কয়ামরুম নোংমৈ কাপশিলকখি হায়রি।

ঙসি পাকিস্টাননা নোংমৈ কাপশিলকপদগী ইন্দিয়াগী নাকনদগীসু খূৎ হন্দুনা অয়ুক পূং ৭.৩০ ফাওবা মোটার কাপ্নখি হায়রি। থৌদোকশিং অসিদা ইন্দিয়াগী নাকন্দা শিবা নৎত্রগা শেকপগী পাউ লৈতে।

## লোক সভা মীখলগা লোয়ননা ষ্টেট ৪গী এসেম্ব্লি মীখলসু পাংথোক্লবা য়ারি

**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ঃ** হন্দক্কী মতাং অসিদদি অন্ধ্র প্রদেশ, শিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ওরিষ্যা –ষ্টেট ৪গী এসেম্ব্লি মীখলশিংসু লোক সভা মীখলগা লোয়ননা পাংথোক্লবা য়ারি। ষ্টেট ৪মক অসিগী গভর্ণমেন্টশিংগী তার্ম এপ্রিল–মেদা লোইরগদবনি।

নেসনেল অমসুং ষ্টেট ইলেক্সনশিং পূন্না মতম অমত্তদা পাংথোকপা হায়বসি বি জে পিগী মরুওইবা প্রোজেক্ট অমা ওইরবসু ওপোজিসন্নদি মসিদা অশোয়বা কয়ামরুম লৈ হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি।

মতম অমত্তা ইলেক্সন পাংথোকপা হায়বসি থবক্তা ওন্থোকপদা কনষ্টিট্যুসনদা হোংদোকপা চংই হায়না ইলেক্সন কমিসন্না হায়রি।

হৌজিকমক্কীদি ষ্টেট ৪, লোয়ননা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী ষ্টেট এসেম্ব্লিগী ইলেক্সনশিং অদু নেসনেল ইলেক্সনগা লোয়ননা পাংথোকপা য়াবগী ওইথোক্লিঙাই ৱাংনা লৈ। ষ্টেট ৪সিগী মনূংদা ষ্টেট ৩ বি জে পি নৎতবা পার্টিশিংনা গভর্ণমেন্ট পায়রি। মসিদা বি জে পিনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি।

## বি জে পি এম পিশিং টিকেটকীদমক স্ক্রুটিনি ময়োক্নরি



**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ঃ** হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদদি মীরেপ ওইনীংবা বি জে পিগী এম পিশিংনা মখল অমগী স্ক্রুটিনি ময়োক্নরি। পার্টি লিদরসিপনা হৌখিবা চহী ৫দা এম পিশিং অদুগী পাংথোকখিবা থবক অদু য়েঙশিনবতা নৎতনা মখোয়গী এৱায়রনেসকী থাক অমসুং হৈশিংবশিংসু চাং লেপ্পবা মখোয়না শোয়দনমক মপূং ফাবা প্রোফোর্মা অমা থাগৎপা তাই।

ফম থাদোক্লগদবা পার্টিগী লোক সভা এম পিশিং অদুদা হংগদৌরিবা ৱাহংশিং অদুগী মনূংদা মহাক্কী কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী য়ুনিফোর্ম ফোর্সতগী লৈবাক্কীদমক পূন্সি কখোকখিবা মীশকশিং অমসুং মফম তাক্লবা, মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা থেঙনগদবা পার্টি তাকপা ,কনষ্টিট্যুয়েন্সি অদুগী ভোতরশিংগী কাংলূপ– জাৎ খঙহনবা, লোক সভা সিট অদু শারিবা এসেম্ব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিং, এম এলএশিং অমসুং মমিং অমসুং পার্টিশিং, মফম মফমদুগী ৱাথোকশিং, বি জে পিনা লূচীংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পাংথোকখিবা ৱেলফিয়ার প্রোজেক্ট ৫গী মমিং অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট স্কিম ৫গী মমিং খঙহল্লক্নবসু য়াওরি।

প্রোফোর্মা অসিগী অরোইবা শরুক অদুনা এম পি অদুনা শরুক য়াখিবা পার্টি প্রোগ্রামশিং, প্রোগ্রামশিং অদুগী অকক্লবা নুমিৎশিং অমসুং মফমশিংগী মতাংদনি।

ঐখোয়গী পার্টিনা পাংথোকপা প্রোগ্রাম অয়াম্বদা ফ্রিদম ফাইটরশিং ঈকাইখুন্নবা, মুর্তিশিংদা লৈ পরেং হুকপা অমসুং লৈবাক্কীদমক থৱাই কখোকখ্রবশিং ঈকাইখুন্নবা অসি মথং–মথং য়াওই হায়না মশাগী মশক মমিং তাত্তনা ঙাংখিবা সিনিয়ার ওফিস বিয়ারর অমনা ঙাংখি।

বি জে পিনা মখোয়গী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কমিটিগী মীফম ৩–৪ মথং মথং পাংথোক্লবা অমসুং সিট মশীং ময়াম অমগী টিকেট পীবা য়াবা মীওইশীং খনগৎনবা হোৎনগদৌরি।

ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা পূং ৩ হেন্না ফমখিবা বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা টিকেটকী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ননৈনখি।

মশাগী চহী ৭৫গী মথক্তা লৈরবশিংদসু লোক সভা টিকেটকী খন্নবদা য়াওগনি। অদুবু মদু মখোয়না নৎত্রগা পার্টি অদুদা মায় পাক্লক্লবদি মখোয়দা পার্টিগী নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী ফম পীদবা হায়বগী অচেৎপা অন্দরষ্টেন্দিং অসিগী মখাদা খন্ননবা বোর্দ মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না অতোপ্পা সেনিয়ার পার্টি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

এল কে অদবানি জী অমসুং মুর্লি মনোহর জোসিজিগুম্বা পার্টিগী সেনিয়ার লিদরশিংগীদি লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা মখোয় কনষ্টেষ্ট তৌবা পামব্রা হায়বদু মশানা ৱারেপ লৌজগনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

## চহীসিদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হৌজিক ফাওবদা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৫৫ হেন্না শিখ্রে

**ন্যু দিল্লি , মার্চ ১০ঃ** চহী অসিগী অহানবা থা ৩দা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা শিখিবা লান্মী মশীং অসিনা কুইদ্রিঙৈগী মতমদা খ্বাইদগী হেন্না লান্মী শিবা চহী অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ২০১৯না ওইরে।

চহী অসিগী অহানবা থা ২ অসিমক্তদা শিখিবা লান্মী মশীং ৫৫ হেনখ্রে। সাউথ এসিয়া টেরোরিজম পোর্টেলগী মতূং ইন্না চহী অসিদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৫৬ শিখ্রে হায়রি।

ফেব্রুৱারি ১৪দা সি আর পি এফ লান্মী ৪০ হাৎখিবা পুলৱামাগী কার বোম্বিং অদুগী মমাঙদা ৫ শিখিবা য়াওনা চহীসিদা আর্মিগী লান্মী ৫ শিখ্রে। পুলৱামা এটেককী মতূংদগী লান্মী ৫ অমসুং অতৈ সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৮ শিখ্রে।

ওপরেসনশিংদা হাৎপা ঙমখিবা টেরোরিষ্টকী মশীংসু হেনগৎলক্লি। ফেব্রুৱারি ১৪ ফাওবদা টেরোরিষ্ট ২৮ হাৎখ্রে। পুলৱামা টেরর এটেক মতূংদা অতোপ্পা টেরোরিষ্ট ১৬ হাৎখ্রে।

অমরোমদা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা সিজফয়ার থুগাইবগী থৌদোকসু য়াম্না হেনগৎলকখ্রে। ফেব্রুৱারি ১৪গী মমাঙদা ২৬৭লক হন্না সিজ ফয়ার থুগাইরকখ্রে অমসুং মদুগী মতূংদগীদি সিজফয়ার থুগাইরকখিবা ২২৮ শুরে।



২০১৮দা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাস্কর–ই–তাইবগী নবীদ জাট য়াওনা টেরোরিষ্ট ২৬০ হাৎখ্রে। ২০১৮দা হাৎখিবা টেরোরিষ্ট মশীংনা চহী ৮গী মনূংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখ্রে। ২০১০দা টেরোরিষ্ট ২৭০ হাৎখি।

## ময়াবতি–অখিলেশ যাদব এলায়েন্সকীদমক্তি লোক সভা মীখল অসি লিটমস টেষ্ট অমা ওইগদৌরি



**লক্ষনৌ , মার্চ ১০ঃ** ঙসি মীখলগী নুমিৎশিং লাওথোকখিবগা লোয়ননা, ২০১৪ ইলেক্সনদা উত্তর প্রদেশতা সিট ৭৩ ফঙখিবা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হান্না থীনা য়েঙথিনরম্বা ময়াবতি অমসুং অখিলেশ যাদবনা খূৎশন্নদুনা শেল্লিবা ওপোজিসন এলায়েন্সকীদমক্তি ষ্টেট অসিদা অরুবা চাংয়েং অমা ওইগদৌরি অমসুং মীয়াম্না খ্বাইদগী কুপ্না য়েঙনগদৌরিবা ইলেক্সনগী লানফম ওইগদৌরি।

সেন্টরদা শক্তী পায়নবা লম্বী অসি উত্তর প্রদেশ ফাওরগা চৎপা লম্বী ওইগনি। হৌখিবা মীখলদা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদগী চাওনা মায় পাক্তুনা চহী ৩০গী মনূংদা মোজোরিটি ফংবা অহানবা পার্টি ওইখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু উত্তর প্রদেশতা মায় পাকখিবা বি জে পি লোমেকর ৭১ অদুগী মনূংদা য়াওরি।

২০১৪গী ইলেক্সনদা সমাজৱাদি পার্টিনা ৫, কোংগ্রেসনা ২ ফংখি অদুবু ময়াবতিগী বি এস পিদি জেরো ফংখি। ময়াবতিগী বি এস পিগা অখিলেশ যাদবকী শমাজৱাদি পার্টিগা খোঙবু শেম্বা তারবদি বি জে পিবু মায়থিবা পীবা হায়বসি ওইথোক্লিঙাই লৈতবদি নৎতে। পার্টি অনী অসিনা পূন্না সিট ৪০ হেন্না ফংবা ঙন্নিঙাই ওইরি।

কোংগ্রেসনা ফংবসিগা পূন্সিল্লবদি সিট মশীং ৫০ শুগদৌরি। কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মচননুপী প্রয়াঙ্কা গান্ধী হৌজিক ফাওবদা মবুং অমসুং মমাগী কনষ্টিট্যুয়েন্সি অমেথি অমসুং রাইবরেল্লিদগী হেন্দোক্তনা লৈরি। অকনবা ওপোজিসন ময়াক্লরবা বি জে পিনা 'অপানা দল অমসুং সুহেলদেবা ভারতিয়া সমাজ পার্টি'গুম্বা অপীকপা পার্টিশিং পেলহন্নবা হোৎনরি।

# ইথিওপিয়ান এয়ারলাইন্সকী বোইং ৩৭৩ ক্রাসতা তোংখিবা ১৫৭ লোয়নমক শিখ্রে ঃ রিপোর্ট




**অদ্দিস অবাবা, মার্চ ১০ঃ** ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা অদ্দিস অবাবাদগী নাইরোবি তন্না পাইরকখিবা ইথিওপিয়ান এয়ারলাইন্সকী বোইং ৩৭৩ ক্রাস তৌবদা তোংখিবা পেসেঞ্জর ১৪৯ অমসুং ক্রু মেম্বর ৮ লোয়নমক শিখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অফ্রিকাগী লূচীংবশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।

ক্রাসকী থৌদোক অদুদা অহীংবা মীওই অমত্তা য়াওদ্রে হায়না ইথিয়োপীয়াগী এফ এ এন এ ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসননা হায়খি।

এয়ারলাইন্স অদুনা পেসেঞ্জরশিং অদুগী নেসনেলিটিশিংগী মতাংদা পাউ অমত্তা ফোঙদোকখিদে অদুবু তোংখিবশিং অদু লৈবাক ৩৩দগীনি হায়খি। খুদোঙথিবা থৌদোক অসি নাইরোবিদা য়ু এন ইনভাইরেমেন্ট প্রোগ্রামগী চহীগী মীফম অমা পাংথোক্কদবগী নোংমগী মমাঙদা থোকখিবনি।

বোলে ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টতগী অয়ুক পূং ৮.৩৮দা প্লেন অদু পাইখৎখিবনি অমসুং অদ্দিস অবাবাগী খা নোংপোক্তা লম্বীদা কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা তাউন বিসোফটু মনাক্তা মিনিট ৬কী তূংদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

হৌখিবা চহীদা ইথিওপিয়াদা পীরকখিবা অনৌবা বোইং প্লেন অদুনা পাইখৎখিবা মতম অদুদা নোং–চীংগী ফিভম ময়েক শেংনা লৈখি হায়না এ এফ পি পাউমী অমনা হায়খি।

বোইং অদু বিসোফটুগী মপান্দা টুলু ফরা খুঙ্গংগী মনাক্তা তারকখি। ক্রাস তৌবা মফম অদুদা অচৌবা কোম অমা তৌখি। মদুদা প্লেন অদুগী কাইরবা মচেৎশিং পাকশন্না চাইদুনা লৈখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা প্লেনগী অতেক –অকাই মরক্তগী হকচাং মচেৎশিং লৌখৎখি। পুলিস অমসুং ট্রুপশিং, লোয়ননা ইথিওপিয়াগী সিভিল এভিয়েসন এজেন্সিদগী ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা মফম অদুদা থুংলখ্রে।

অফ্রিকান য়ুনিয়ন কমিসন চীফ মৌশা ফাকী মহমটনা ক্রাসকী থৌদোক অদু মহাক তারে হায়রদুনা থম্মোই শোকপা অমসুং অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবিয়ে অহমেদকী ওফিসনসু মখোয়গী নুংশিরবশিং মাঙজখ্রবা ইমূং–মনূংশিংদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না ত্বিটরগী খূৎথাংদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অসিনা মহাকপু ৱাহল্লে তোংখিবশিং অদুগী ইমূং মনূংশিং অমসুং মরুপ–মপাংশিং পূন্নমক্তা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না কেনিয়াগী প্রসিদেন্ট উহুরু কেনিয়াট্টানা হায়খি।

রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না ঙসি ক্রাস তৌখিবা বোইং অদু কুইদ্রিঙৈ হৌখিবা নবেম্বর থাদা ইথিওপিয়ান এয়ারলাইন্সতা পীরকখিবনি হায়রি। ইথিওপিয়ান এয়ারলাইন্স ফ্লাইট ৩০২, ৭৩৭ এম এ এক্স ৮ এয়ারপ্লেন অদুগী ক্রু মেম্বরশিং অমসুং পেসেঞ্জর ১৪৯ পূন্না মীওই ১৫৭ লৈখিদবগী পাউ তাবদা বোইংবু থম্মোই শোক্না ৱাহল্লে হায়না য়ু এস এরোস্পেসকী অচৌবা কম্পেনি বোইংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

## দেমোক্রেসি দি পি আর কে ষ্টাইল ঃ সুপ্নগী অমখক মায় পাক্কদবা মীখল অমা পাংথোকখ্রে



**পীয়োংয়াং, মার্চ ১০ঃ** নাইতোম ইম্ফোক্লবা, ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পাইরবা নোর্থ কোরিয়াবু ওফিসিয়েল ওইনা খংনরিবা দেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া (দি পি আর কে)অসি লৈবাকসিগী লূচীংবা কিম জোং উনগী ৱার্করস পার্টিনা খূৎপাই চেৎনা পায়রি।

অদুবু সুপ্রিম পিপলস এসেম্ব্লি হায়না খঙনবা, সুপ্নগী মমিংদগী ওইনা লৈবা লেজিসলেচর অদুগীদমক লৈবাক অসিনা চহী খুদিংগী মীখল অমা পাংথোক্লি। পিয়োংয়াংগী খ্বাইদগী কুইনা লৈরক্লবা খোলাওশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা সিঙ্গল –মাইন্দেদ য়ুনিটি হায়বসি ঙাক্তুনা অঙাংবা মচুগী বেলোট পেপরশিং অদুগী অমমমদা সুপ্নগী এপ্রুব তৌরবা মমিংদমক য়াওরি।

লূচীংবা অসিগী অপোকপা মপা কিম জোং ইল অমসুং মপুবোক কিম ইল সুংনা বোলোট বোক্স খুদিংগী মথক্তা য়েংথরকপগী শক্তমশিংগা লোয়ননা ভোটরশিংনা মখোয়গী স্লিপশিং অদু মনূংদা থাদনবা পরেং লেপ্লি।

ভোতিং বুথশিং অদুদা পেন্সিল অমা লৈ। কেন্দিদেটে অমবু পামদ্রবদি মহাক্কী মমিং অদু ভোটর অমনা পেন্সিল অদুনা ককথৎলমগনি। অদুবু কনাগুম্বা ভোতর অমতনা মদু অমত্তা তৌদে।

হৌখিবা ইলেক্সনদা ভোত থাদবগী চাং চাদা ৯৯.৯৭ ওইখি হায়না ওফিসিয়েল কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

মপান লৈবাক্তা লৈখিবশিং নৎত্রগা সমুদ্রদা থবক চৎখিবশিং খক্তমক ভোত থাদবা অদুদা য়াওদে।

ঙসি পাংথোকখিবা ভোত অদু পাল্লিবা কেন্দিদেটে অদুদা চামদা ১০০ থাদখিবা ভোত অমা ওইখি। মসি মালেমগী মফম অমত্তদা চাংদম্নবা ঙমদবা ফল অমনি।

ঐখোয়গী খুন্নাই অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম পূন্নমক্না অমত্তা ওইবা ৱাখলগা লোয়ননা ইকাই খুন্নরবা সুপ্রিম লিদরগী অকোইবদা পূন্না লৈ হায়না ৩.২৬ পিয়োংয়াং কেবল ফেক্টরিদা ভোতরশিংনা পরেং লেঙদুনা লৈরিঙৈ ইলেক্সন ওফিসিয়েল কো কিয়োংনা এ এফ পিদা হায়খি। মীখলদা শরুক য়াবা হায়বসি সিটিজন অমগী শোয়দনা তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি। কেন্দিদেটে অমবু ভোটর অমনা য়াদবা য়াদে।

সোভিয়েট–ষ্টাইল কম্যুনিষ্ট ষ্টেটশিংনা জেনরেল ইলেক্সনশিং পাংথোকপগী শাংলবা খোঙচৎ অমা লৈ। নোর্থ কোরিয়ানা তৌরিবসু অতৈ কম্যুনিষ্ট ষ্টেট পূন্নমক্না তৌরিবা অদুমক মতৌ তম্বনি হায়না কোরিয়া রিস্ক গ্রুপকী এনদ্রৈ লেনকোভানা হায়রি।

## মেক্সিকো নাইট ক্লবতা নোংমৈ কাপ্পদা ১৫ শিখ্রে

**গুৱানাজুৱাতো, মার্চ ১০ঃ** মেক্সিকোগী ময়াই থংবা ষ্টেট গুৱানাজুৱাতোদা লৈবা নাইট ক্লব অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে হায়না ঙরাং প্রেজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে। নুপা ৩ অমসুং নুপী ১ সু শোকখি হায়রি।

খূৎলাই মতিকচানা পায়রবা মীওই কয়ামরুম্না সলামাঙ্কাদা লৈবা লা প্লায়া নাইট ক্লব অদুদা ঙরাং থাংজগী অঙনবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথখিবনি। মদুগী মতূংদা মীওইশিং অদু গারী অমদা চেনখি হায়না পব্লিক প্রোজিক্যুটরস ওফিসকী ৱাঙাংলোই জুৱান জোস মরটিনেজনা টেলিফোনদা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

সলামাঙ্কা হায়রিবা অসি হৌখিবা চহী খরদা ষ্টেট ওইল কম্পেনি পেট্রোলিওস মেক্সিকানোস (পি ই এম ই এক্স)কী দোল্লর মিল্লিয়ন ৩ লোম থাও হুরানবশিংনা মাংহনখিবা মরুওইবা পাইপলাইন লৈরিবা মফম অদুনি।

পাইপলাইন হুৎতোক্তুনা থাও হুরানবা ক্রিমিনেল গেংশিংগী মথক্তা ওথোরিটিজনা মফম অসিদা ওপরেসন অমা চথখিবনি। সলামাঙ্কা হায়রিবা মফম অসি থাও হুরানবা গেঙ খূৎপুগী লূচীংবা জৱানএন্টোনিও য়েপেজগী মথক্তা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ওথোরিটিজনা ওপরেসন চথখিবা সান্টা রোজা দে লিমাদগী কিলোমিটর ১০০ রোম ফাদনা লৈবনি।

## কলম্বিয়া প্লেন ক্রাসতা মেয়র ১য়াওনা ১২ শিখ্রে

**বোগোটা, মার্চ ১০ঃ** ঙরাং থাংজা নুমিৎতা কলম্বিয়াদা থোকখিবা প্লেন ক্রাসকী থৌদোক অমদা মেয়র ১ অমসুং মহাক্কী ইমূং–মনূং য়াওনা মীওই ১২ শিখ্রে হায়না এভিয়েসন অমসুং ইমর্জেন্সি সাভিসেসশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

১৯৩০গী চহীশিংদা অহানবা পুথোকখিবা অমেরিকানা শাবা ইঞ্জিন ২ পানবা প্রোপেলর প্লেন দৌগ্লাস দিসি –৩ এয়ারক্রাফ অদু লৈবাক অসিগী ময়াই থংবগী নোংপোক থংবা লমদা পাইখিবদা ক্রাস তৌখিবনি।

প্লেন অদু কোন্না মৈ চাকখি হায়না ফয়ার দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী মনূংদা তারাইরা ম্যুনিসিপালিটিগী মেয়র দোরিস ভিল্লেগাজ অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা, মচানুপী লোয়ননা প্লেন অদুগী মপু, পাইলোট জাইমে কেররিলো, কো পাইলোট জাইমে হেররা অমসুং এলেক্স ওরেনো কৌবা এভিয়েসন টেক্নিসিয়ান অমা য়াওরি।

কলম্বিয়াগী প্রসিদেন্ট আইভানদুকনা লৈখিদ্রবশিংদা ইকাইখুন্নবা উৎখ্রে।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-63**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 6 | 1 | | 4 | 7 | | |
| 2 | | | | | 8 | 1 | | 9 |
| | 8 | | | 7 | | 5 | | 4 |
| | 4 | | | 8 | | | 7 | 6 |
| 7 | 6 | | | | 1 | | 9 | |
| | 9 | 8 | | 6 | | | 1 | |
| 4 | | | 7 | | 9 | | 8 | |
| 6 | | 7 | 8 | 1 | | | | |
| | | 9 | 6 | | | 2 | | 7 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas**
Booking : 05/01/19
Sl. No. : 1450
Valid : 02/01/19
Sl. No. : 0551
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane Gas**
Booking : 20/01/19
Sl. No. : 650
Stk : 288, 19kg-12
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 10/01/19
Sl. No. : 100
Valid : 06/01/19
Stk : 306, 19kg -12
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Lamshang Gas Agency**
Booking : 21/01/19
Valid : 16/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m..

**Bashikhong Indane**
Booking : 14/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 01/02/19
Valid : 30/01/19
Sl. No. : 19306 to 19312
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Mahalashami Indane**
Booking : 24/01/19
Valid : 19/01/19
Sl. No. : 242040
Stk : 306
Time : 07.30 to 12 noon

**Canchi Indane Gas**
Booking : 21/01/19
Valid : 17/01/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Haran Velley Indane**
Booking : 01/01/19
Valid : 21/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**G B D Indane Service**
Booking : 15/01/19
Valid : 06/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 07/02/19
Valid : 02/02/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**M. M. Gas Service**
Booking : 18/01/19
Valid : 12/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 06/02/19
Valid : 02/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Heirok Indane Gas**
Booking : 02/02/19
Valid : 17/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**সনা–সুদোকু –৬২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 5 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 8 | 9 | 2 | 6 | 7 | 4 | 5 | 1 | 3 |
| 2 | 4 | 3 | 1 | 9 | 6 | 8 | 7 | 5 |
| 9 | 8 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 6 | 5 | 1 | 8 | 3 | 7 | 2 | 4 | 9 |
| 5 | 2 | 8 | 7 | 6 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 7 | 6 | 9 | 4 | 1 | 8 | 3 | 5 | 2 |
| 1 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 6 | 8 |